# দেসামগী থৌমীশিং জুন ৫ দগী মাস কোর্ট এরেষ্ট তৌহনবগী খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : দেম্মোক্রেটিক ষ্টুডেন্টস এল্লাইয়ন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) গী খোইশাওনরবা থৌমীশিংনা খোঙজং চঙশিনবদা পামদবা থৌওং খরা য়াওখিবগীদমক মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংবু অহিং নুংথিল নায়দনা ফা-পুন্নবা লৈঙাক্লা হোৎনরিবা অমদি য়ুমগী মীওইশিংদা কিহন খঙহনবগী থৌদোক চথুরক্লিবা অসি লায়বক থিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল সিতল ওইনামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ঈহৌ অসি নাথৈবা ঙল্লোই। সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টনা ষ্টেট অসিবু থৌশাবিদবা, থৌওইবিদবগী থৌওংদা পেন্দ্রবা মীয়ামগী খোইশাওনবা ফোঙদোক্তুনা লৈঙাক্তা ৰাকৎপা অমদি হায়জখিবা কয়া অদু থৌশাবীদবদগী দেসাম্না মীয়ামগী মহুৎশীন্দুনা থা অসিগী ১ গী থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়রি।

লৈঙাক্লসু চুম্না ৰায়েনবগী মহুত্তা খাঙতক্তগী থুগায় য়ৈখায়বা অদুদগী ইশ্যু অসি নৈনবা অমদি ৰায়েনবা হৌরে। মদুগী মমাংদা করি লৈবগে হায়দুনা হংলকপীদ্রে অমসুং লৈঙাক্লা নৈনবীদ্রে। গভর্নমেন্ট হায়বসি পুন্নমক ঙল্লিবনি। মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংবুসু ফানিংবা মতমদা ফাবা ঙম্বগী পাঙ্গল লৈবনি। অসিগুম্বা থৌওং অসি মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুং চহী ৬৯ রোম অসি থেংনদুনা লাকখ্রবনি হায়বসি মীয়াম্না হেন্না খঙনরবনি।

অসিগুম্বা লৈঙাক অমগী মহৈ তম্লিবা মহৈরোয়শিংগী খুন্নাইগী য়াইফনবা তৌরিবা লুপ অমগা মুক্নবা হায়বসি দেসামদা লৈজদে। অদুবু দিমান্দ অসিদি ফঙদ্রিবা ফাওবা চঙশিনখিগনি। ঙরাং লুপ অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি জেনরেল কেঐচ রবিবু ইম্ফালগী মফম অমদগী পুলিসনা ফাগৎখিবা অমদি মখা তানা অতোপ্পা মহৈরোয়শিংবুসু ফানবা হোৎনরক্লিবা অসিনা ৰারোইশিন পুরক্লোই হায়রি।

দেসামগী থৌমীশিং ফাবনা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি অসিগী ৰারোইশিন ওইগনি হায়না লৈঙাক্লা লৌরবনিনা মহৈরোয়শিং অসি খুদক্তগী ফানবা হোৎনবগী থৌওং তোকপীরো হায়রি। দেসামগী থৌমীশিং ফানবগী থৌওং মখা তানা অদুমক হোৎনরক্লবদি য়াম্না দেমোক্রেটিক ওইবা মওংদা মাস কোর্ট এরেষ্ট তৌবগী খোঙথাং থা অসিগী ৫ দগী চঙশিনবা হৌরগনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরগী মথক্তা মুসুগী লমজিং মখাদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি য়াম্না মরম চাবা অচুম্বা খোঙথাং অমনি হায়না দেসামনা লৌই। অফবা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহন্নবগীদমক মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লকপা অচুম্বা খোঙথাং খুদিংমক দেসামনা মপুং ফানা হকথেংননা শৌগৎকনি হায়রি।

ঙরাং য়ুনিভর্সিটি অসিগী মহৈরোয়শিংনা দেমোক্রেটিক ওইনা চঙশিনখিবা খোঙজংদা পুলিসনা চথুখিবা কা হেনবা থৌওং অদু লুপ অসিনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি। মতুংদা অসিগুম্বা থৌওং অসি অমুক হন্না তৌবীদনবা ৰাফমসু ফোঙদোরক্লি। মুসুনা মমাংদসু ঈহৌ কয়া হৌখ্রে। অদুবু মমৈথংদা লোয়শিন্নবা হোৎনবগী থৌওংদি ঙসি ফাওবা উদে। মরম অদুনা খোঙজং অসিসু অদুগুম্বা মমাংথক্কী খোঙজং অমগুম ওইহনবদি দেসামনা য়াবা ঙল্লোই। য়ুনিভর্সিটি অসিগী ভাইস চাঞ্চেল্লরনসু খোঙজং অসি লাইনা লৌরোইদবনি। মহৈরোয়শিংগী অচুম্বা দিমান্দ অসি থৌওইদবা তৌবীগনু হায়রি।

# ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দে মতিক ময়াই লৈহনসি: আর এস এফ

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম মতিক ময়াই লৈহনসি, রিজর্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা চীংলৈবাক কোৎথোকপা, উপাল ৰাপালশিং পাক্তক্লনা য়ান্থৎলিবশিং অথুবদা ফাগৎলু হায়না রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্টস ফ্রন্ট (আর এস এফ) না ফোঙদোরক্লি।

আর এস এফকী জেনরেল সেক্রেটরি থোইবা খুমনচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেনা লাকপগা ঈরোয়ননা মফম খুদিংমক্তা উ চারা থাদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ইনভাইরোনমেন্ট দেগী থৌরম মগুন লৈবা থৌরম অমা ওইহনসি। উমং-ৰামং য়োকখৎসি। মহৌশাগী খল কায়দনা থমসি। অথিংবা লৈনা লৈনা রিজর্ব ফোরেষ্ট এরিয়াদা লোনা য়াদবা মওংদা চীংলৈবাক কোৎথোকপা, উ পাম্বীশিং পাক্তক্লনা য়ান্থৎলিবশিং অসিগী মথক্তা মরি লৈনবা দিপার্টমেন্টনা ফাগৎতুনা চৈরাক পীয়ু হায়রি।

উমং ৰামংশিং কোকশিল্লক্লবদি থৰাই পানবশিং অমত্তা লৈবা ঙল্লরোই। ঈশিং নুংশিৎ শেংলক্লোই, তোঙান তোঙানবা লায়না লাইওং কয়ামরুম লাকপা য়াই। মরম অদুনা অথিংবা লৈনা লৈনা চীংলৈবাক কোৎপা, উ-ৰা য়ান্থৎতুনা উমং মাঙহন্নবা হোৎনবশিং মীয়ামগী য়েক্লবনি। মরম অদুনা অথুবদা মরি লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

চহী খুদিংগী ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেনা লাকপদা থাখিবা উ চারাশিং থাখিবা নুমিৎতগী হন্না য়েংবিদবনা অয়াম্বনি। হন্দক চহীগীসু জুন ৫ দা লৈকায় লৈকায়দা পাঙথোক্লগদৌরিবা থৌরমদা থাগদৌরিবা উ চারাশিং অদু মপুং মরৈ ফাদ্রিবা ফাওবা অমদি মথংগী ৱর্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট দেগী নুমিৎ ফাওবা ঙাক শেন্দুনা থমশি অমদি মহৌশাগী খল কায়দনবা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়খি।

# খন্ন-নৈনবগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর য়ুথ প্রোটেক্সন কম্মিটি (এ এম ৱাই পি সী ও) গী কৈশামপাৎতা লৈবা হেদ ওফিসতা হেল্ডি য়ুথ এন্দ হেল্ডি সোসাইটি হায়বা থিমগী মখাদা চঙশিল্লিবা মীসনগী শরুক অমা ওইনা ঙসি বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা কুম্বীগী নহা ওইরিবা মীওই কয়ানা খন্ন নৈনবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

এ এম ৱাই পি সী ওগী সেক্রেটরি দোলর লোইতোংবমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌরম অসিদা হৌজিক্কী খুন্নায়রোলদা তংদু লৈতাদ্রিবশিংগী মনুং চন্না লুপ অসিনা চহী খুদিংগী নৈনদুনা লাক্লিবা ইন্সত্রুমেন্ট ওফ এসেসন ওফ মণিপুর ওগষ্ট ১১, ১৯৪৭, ষ্টেন্দ ষ্টিল এগ্রিমেন্ট অমসুং নাগালেন্দগী পীছ প্রোসেসনা খুন্নাই অসিদা পীরকপা চৈথেংশিংগী মরমদা দোলর লোইতোংবমনা ৱা ঙাংখি।

তুংলমচৎকী তংদু লৈতাবা মান্নবা খুন্নাই অমা পুরক্নবা হোৎনবদা লমদম অসিদা অচৌবা ঈথিল অমা পীরিবা কুমজা ১৯৪৮ কী ওক্তোবর ১৮ মণিপুরগী পুৱারিদা মীয়ামগী লৈঙাক লৈবা নুমিৎ অমসুং রোল ওফ য়ুথস, আৱর প্রাইদ ফ্যুচর হায়বা থিমদা ওল মণিপুর য়ুথ প্রোটেক্সন কম্মিটিগী ভি পি শ্যাম খুমন্না ৱা ঙাংখি। খন্ন নৈনবা অসিদা লুপ অসিগী প্রসিদেন্ট অর্জুন তেলহৈবনা প্রিসাইদ তৌখি।

অসিগুম্বা লৈবাক্কী থৌগায় কয়া অসিবু পাঙথোক্লবা ওল মণিপুর য়ুথ প্রোটেক্সন কম্মিটি কুম্বী ব্রাঞ্চ অমা শেমখ্রে। লোয়ননা খুমন্থেম রোমেসপু প্রসিদেন্ট, হৈস্নাম হেরোজিৎপু জেনরেল সেক্রেটরি অমসুং খুমন্থেম অথোইববু ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা খনখ্রে হায়রি।

# ৱেথলিফটর সঞ্জিতাগা মরী লৈনবা থৌদোক্কী অচুম্বা পুথোকপীয়ু

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : ষ্টেট অসিদগী হৌখিবী ৱেথলিফটিং শান্নরোয় খুমুকচম সঞ্জিতা চনুগী দোপিং কেসকা মরী লৈননা থোক্লিবা থৌদোক অসি লৈবাক মীয়াম্না তরায়না লৌফম থোক্তে হায়না থোংজু চিগোংলৈ মখোঙ দিভলপমেন্ট ক্লবনা ফোঙদোরক্লি।

ক্লব অসিগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, থৌদোক অসিগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না মরী লৈনবা য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা চেথাদুনা খঙহনখিবগা লোয়ননা থিজিনবিনবা হায়জখিবগীদমক চীফ মিনিষ্টরবু থাগৎপা ফোঙদোরক্লি। মখা তানা অশেংবদু লৈবাক মীয়াম খঙনা পুথোক্পীনবা হোৎনবীবগা লোয়ননা চপ চাবা থৌদাং লৌবীয়ু। থৌদোক অসি কেঐচ সঞ্জিতাগী য়ুরিন সেম্পলগা য়ু এস এ দি এনা টেষ্টটোষ্টেরোন য়াওই হায়রিবা শেম্পল অসিগা নম্বর মান্নদে হায়না ফোঙদোরক্লি। ষ্টেট অসিগী শান্নরোয়শিংদা মেনলেন্দ ইন্দিয়াগী মরি লৈনবশিংনা নমথবীবগী মওং মানবা থৌওং অসিগী মতাংদা অচুম্বা, অশেংবা পুথোকপীনবা মরী লৈনবশিং পুন্না হোৎনমিন্নদুনা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিং মোরেল হন্থদনবা হোৎনবীয়ু হায়রি।

# স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী খোঙজং শৌগৎলি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিবু মমীংতগী ওইনা থম্নবা হোৎনরক্লিবা খোঙথাং অসি য়াবা ঙল্লোই। হিরম অসিগা মরী লৈননা দেসাম অমদি শান্ন খোৎননবু পামজবা লৈবাক মীয়াম্না চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা ওরিয়েন্টেল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়রি।

ওরিয়েন্টেল কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি অবুং খুলেমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, দেসাম অমদি লৈবাক মীয়াম্না চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি হোংখিগনি হায়বগী নত্তে। কোলেজ খরদা হাঙদুনা লৈরিবা কোর্স খরা নৌনা অমুক হাঙলগা য়ুনিভর্সিটি অসিগী মথৌ তৌহনগদৌরিব্রা। মরুওইবা কোর্সশিং ওইরিবা স্পোর্টস, জর্নেলিজম, স্পোর্টস পর্ফোমেন্স এনালাইসি, স্পোর্টস মেনেজমেন্টনচিংবনা মপান লমদা হাঙলগা মণিপুরদনা মমীংতগী ওইনা থম্বা য়ুনিভর্সিটি অমা ওইহন্নবা হোৎনরিবা অসি য়াবা ঙল্লোই হায়রি।

## থৌ পুবশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : পাউনা কৈথেলগী মসজিদ রোদতা লৈবা হ্যুমেন রিছোর্স দিভলপমেন্টকী ওফিসতা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা অহানবা ৰুমেন ৱার ১৯০৪ ওবজর্বেসন কম্মিটিগী থৌ পুগদবশিং খল্লে হায়না লাউথোকখ্রে।

অহানবা ৰুমেন ৱার ১৯০৪ ওজর্বেসন কম্মিটিগী নৌনা থৌ পুনবা খনখ্রবশিং অদুদি, প্রসিদেন্ট অমসুং ফাইনান্স সেক্রেটরি ওইনা এম সোরোজিনি লৈমা, ভাইস প্রসিদেন্টশিং ওইনা খোইরোম ওংবী মোনমোহোরিনি লৈমা, অহোংশাংবম ওংবী অপানবী লৈমা, অশেম ওংবী সনাতোম্বী লৈমা, সেক্রেটরি জেনরেল ওইনা মাইস্নাম শখিতোম্বী লৈমা, পব্লিসিটি সেক্রেটরিশিং ওইনা থোকচোম ওংবী পোপী, অঙোম ওংবী ইবেতোম্বী অমসুং চোংথাম নোংপোকঙানবী লৈমনি।

## উ চারা থাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : ককচিং খুনৌ এথলেটিক্স এন্দ কলচরেল ওর্গনাইজেসন (কাকো) না ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্টনা পাঙথোকপা বন মহোসবকা মরী লৈননা শুগ্নু এ সীগী এম এল এ অমদি ককচিং খুনৌগী মীয়ামগা লোয়ননা ককচিং খুনৌ লমখায়দগী ককচিং খুনৌ লাইকোন ফাওবদা থাখিবা উ চারাশিং অসিগী মখোঙ শেঙবা অমদি অনৌবা উ চারাশিং থাজিনবগী থৌরম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে।

উ চারাশিং অসি মপুং ফানা হিংহন্নবা অমদি মপুং মরৈ ফানবা হোৎনবদা মখা তানা থৌদাং লৌখিগনি হায়রি।

## কনভেন্সন পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : মণিপুর রিছর্স সোসাইটি, মণিপুর কালাকার সম্মিটি অনীনা সঙ্গিট নাটক একাদেমী ন্যু দিল্লিগা খুৎশম্নরগা পেনা অমসুং চায়নরোলগী মরমদা নোংমগী ওইবা কনভেন্সন অমা থা অসিগী ১০ গী নুংথিল পুং ২ তাবদা চীংঙামথক ঙাক্রাবা মান্দবকী ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি আর কে ঝলজিৎনা প্রিসাইদ তৌগনি অমদি শৌগাইজম থানিল, আর কে অচৌবীস্না, নবা ৱারেপ্পা অমসুং য়ুম্নাম মহেন্দ্রনচিংবনা শরুক য়াবগা লোয়ননা মখোনমনি মোংশাবনা লমদম অসিগী নাৎকী থৌরমশিংদা পেনাগী মফম অমসুং চনম হেমচন্দ্রনা অরিবা পুয়াদা লৈরম্বা চায়নরোলগী মরমদা ৱা ঙাংগনি হায়রি।

## লম্বী পাকথোকপীয়ু

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুংদা লৈবা লিলোংদগী ৱাংজিং ফাওবগী লম্বীগী শরুক অসি লৈঙাক্লা অথুবদা পাকথোকপীয়ু হায়না রোদ এক্সপান্সন কম্মিটি ফ্রোম লিলোং টু উশোইপোকপীনা থোকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

# ঙাইরাংবমদা ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মরমদা মীয়ামগী মীফম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : ৱেষ্টর্ন স্পোর্টিং ক্লব ঙাইরাংবম, লোয়ালাকপা পাখঙবা ৰুমেন্স ৱেলফেয়র এসোসিয়েসন অমদি তোঙান তোঙানবা ঙাইরাংবমদা লৈবা লুপশিংগা খুৎশম্নদুনা দ্রগ অমসুং ময়াই কাবা চীঞ্জাক্কী মতাংদা মীয়ামগী মীফম অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে হায়রি।

মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপশিংগী মনুংদা য়াওরিবশিংদি, ময়াই কাবা চীঞ্জাক চাবা মীওইশিংবু অহানবদা চেকশিন ৱা থম্লকপগা লোয়ননা কাউন্সেল্লিং পীদুনা মহৌশাগী পুন্সিদা পুরক্নবা হোৎনবা। করিগুম্বা মখা তানা অদুগুম্বা থৌওং অদু চথুরক্লবদি মীদিয়াদা ফোটোগা লোয়ননা হাপ্পা অমসুং থা অহুম লৈকায় অসিদগী তান্থোকপা। মমা-মপাশিংনা অতম্মনা শিংনবা য়াওরক্লবদি মহাকপুসু লৈকায় অসিদগী তান্থোকপা। তান্থোকখ্রবা মীওইশিং অদুনা ৱাখল তারক্তুনা লৈকায়দা অমুক হল্লকপদা লৌশিনবা। হেন্না ফিভম শোকচিল্লবশিং রিহেবিলেটসন সেন্তরশিংদা থম্বা ক্লব অমসুং ওর্গনাইজেসনশিংনা মতেং পাঙবা হায়বনচিংবা য়াওরি।

# পুরুম শাদুগ্রামদা ফ্রি মেদিকেল কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : খুন্দ্রাকপম এসেমব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা পুরুম শাদুগ্রাম খুঙ্গংদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী কিষান মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট দোক্তর কেএসঐচ কালা অমসুং বি জে পি খুন্দ্রাকপম মন্দলগী প্রসিদেন্ট এসঐচ নন্দোগী লমজিং মখাদা নোংমগী ওইবা লেম্না লায়েংবগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

শাদুগ্রাম গোর্খা ভিলেজগী চেয়রমেন্টনা খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মেদিকেল কেম্প অদু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক সেন্তরদা লৈরকপা চহী মরি মপুং ফারকপা অমসুং মণিপুরদা এন বিরেন্না লুচিংবা বি জে পিগী চুংশিন্নবা লৈঙাক লৈরকপা চহী অমা হেল্লকপগী থৌরমগা মরী লৈননা পাঙথোকপনি।

# স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ফেকল্টি অতোপ্পা মফমদা থম্বা য়ানিংদে: এ আই এস এফ

ইম্ফাল, জুন ০৩ (ঐচ এন এস) : ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী বি টি রোদতা লৈবা ওফিসতা ঙসি ফমখিবা মীফম্না মহৈরোয়শিংনা থেংনরিবা প্রোব্লেমশিংগী মতাংদা খন্ন নৈনখিবগা লোয়ননা বি জে পি লৈঙাক্কী অরানবা থৌশিলগী মতাংদা খন্ন নৈনখ্রে হায়রি।

এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি কেঐচ রামেশ্বরনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লৈবাক অসিদা এদ্যুকেসনবু শেন্দান লম্বী ওইনা ওন্থোক্তুনা লায়রবা ইমুংগী মহৈরোয়শিংবু অৱাবা মায়োক্নহল্লিবা অসি চুম্দে হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, স্পোর্টসকী পাৱর হাউস ওইরিবা মণিপুরবু শকখঙবা শাদুনা নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটি ইম্ফালদা লীংলগনি হায়রগা উত্তর প্রদেশতা ফেকল্টি অয়াম্বা পুনবা তৌরিবা অসি য়াবা ঙল্লোই। য়ুনিয়ন গভর্নমেন্টকী থৌওংদা অয়াবা পীরিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না মীয়ামদা অশোয়বা অসিগী ৱারোল কয়া ফোঙদোক্কদবগী মহুত্তা সেন্ত্রেল গভর্নমেন্টপু থাগৎপা ফোঙদোক্তুনা লৈরিবা অসি মরম চাদে। মরম অদুনা এ আই এস এফনা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টদা স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী ফেকল্টি ময়াম মপানদা থমদনবা চেরোল থারগনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুরগী প্রাইভেট স্কুল কয়ানা মহৈরোয়শিংনা লাইরিক তমজনবা হোৎনবদা শেল য়াম্না তিংহল্লিবা অসিগী মতাংদসু মীফম অদুনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ক্লাস ইলেভেনদা গভর্নমেন্টকী স্কুলশিংনা লুপা লীশিং অনী অহুম তিংদুনা মীং চনবদা প্রাইভেট হায়র সেকেন্দরি স্কুলশিংনা য়ামদ্রবদা লুপা ২৫০০০/৩০০০০ ফাওবা লৌরি হায়রি।

নাকল অমরোমদা প্রাইভেট হায়র সেকেন্দরি স্কুল খরনা ঐচ এস এল সী ঈদা তোপ্পর ওইরক্লবা মহৈরোয়শিংবু লুপা লাখ মরি/মঙা পীদুনা লৈবা য়াওরি। মসিগুম্বা কয়া অসি মরি লৈনবা এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা খঙশিন উশিন্নদনা লৈরি হায়না মরাল শীরক্লি।

গভর্নমেন্টকী মহৈশেঙনি হায়বা খঙশিন্নদনা প্রাইভেট স্কুলশিংদা মতেং পাংবা চৎপা অসি এ আই এস এফনা য়ানিংদে। মরমদি গভর্নমেন্টকী স্কুলদি গভর্নমেন্ট পায়রিবশিংনা মুথৎনবা লাক্লবনি হায়না মরাল শীরক্লি। সিষ্টেম অসি ওল্লসি, সাইন্টিফিক এদ্যুকেসন সিষ্টেম অমা থল্লসি অমসুং মিনিষ্টরশিংনা তুংগী মীরোলগীদমক খল্লসি হায়রি।

ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা এ আই এস এফকী ষ্টেট সেক্রেটরিয়েট মেম্বরশিং অমদি ষ্টেট ইন-চার্জ কয়াসু শরুক য়াখি হায়রি।

মীতৈ লায়েং

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স

১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইন্নরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থম্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙল্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।
২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙল্লে।
৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।
৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।
৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।
৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীঙৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঙ্গেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।
অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।

Regd. No. 4277 of 82 April
Phone No. 9612225582
DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee

HL-B/4629/17/5-16/06

A.I. SOCIAL SCIENCES TUTORIAL CENTRE

Keishamthong Elangbam Leikai

ADMISSION OPENS FOR
Class X (BOSEM)
20th FOUNDATION COURSE

Class Commencing from 11th June 2018

- Time : 5:00 am to 6:00 am
- 4:30 pm to 5:30 pm
- Only 15 students per batch
- Subjects : Geo, History, Civics, Economics

| Previous records: | Pass Percentage: |
|---|---|
| T. Meghila, 23rd Position | 100% consecutives |
| 80% and above - 16 students | 10 years |

CHAPTERWISE TEST ON EVERY SUNDAY

Please Contact : ☎ 9856475399
Sir Ajitkumar, Board Examiner
Sir Ipajao, Former Regular English School

HL-P/1231/7/5-5/6

ANGELS' COACHING CENTRE
URIPOK POLEM LEIKAI
THE MOST TRUSTED COACHING CENTRE IN THE CITY

ADMISSION OPEN Foundation Course for Class III to X
Starts from 7th June 2018 Time - 4:30 pm to 7:30 pm Limited Seat

TOPPERS of 2017
1st Position Priyanka M.
4th Position Rozaria Th.
4th Position Khushi Kh.
6th Position Micheal A.
8th Position Bideli Devi
9th Position Md. Swadique
9th Position Robinson Kh.
9th Position Russel Ch.
13th Position Th. Yaiphabi
14th Position Siddhant W.
15th Position Neelima N.
17th Position Krishnand L.
20th Position K. Hennae
21st Position M. Thoibisana
21st Position Tina Th.
21st Position R.K. Kebisana
22nd Position Guigaingam K.
23rd Position Ng. Babyka
23rd Position Meghila T.
TOPPERS of 2016
1st Position Sohana Laishram
2nd Position Naorem Suzanna
3rd Position M. Vasundhara
8th Position Wosoron C

BOARDING FOR BOYS & GIRLS

Pliz Contact : 7628946313 - 9402897710 - 8732022342
VAN AVAILABLE

HL-B/4592/29/5-28/6

ADVANCED COACHING INSTITUTE
Regd. No. : 729
# 9862992105
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road (Opposit mantripukhi auto parking)
REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE - Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)
Felicitation of Toppers of COHSEM Exam. 2018
(Separate CBSE,BOSEM&COHSEM Batches)


WISH YOU ALL THE BEST IN YOUR FUTURE CAREER
SCIENCE
ARTS
FELICITATION FUNCTION OF TOPPERS

HL-B/4560/6/4-6/5